# সাম পিট্রোদাগী ৱাঙাংনা ওপোজিসন কোংগ্রেসকী থৌশাদবগী মতৌ অদু উৎথোকচরে ঃ নরেন্দ্র মোদি

**রাতলম, মে ১৩ঃ**

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি কোংগ্রেসতা চৈবা মাগী মীচে হেনগৎলদুনা পার্টি অসিগী লূচিংবা সাম পিট্রোদানা ১৯৮৪ এন্টি –সিখ রাইওৎশিংগী মতাংদা ‘থোকখ্রদি থোকখ্রেদনা’ হায়বা ৱাঙাং অদুনা ওপোজিসন পার্টি অসিগী করিমতা থৌ–ৱা শাদবা মতৌ অদু উৎথোকচরে হায়খ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মধ্য প্রদেশতা ঙসি রাতলমদা পাংথোকপা মীফম অমদা ৱা ঙাংখি। মহাক্না হায়খি, লূচিংবা অদুগী ৱাঙাং অদু অতৈ অমত্তা নৎতে কোংগ্রসকী থৌশাদবা মতৌ অদু উৎপনি। কোংগ্রেস লূচিংবশিংনা অদুগুম্বা থৌশাদবা ৱাঙাংশিং ঙাংলি, লৈবাকসিগী মীয়াম্না মখোয়বু ওক্লে–খিরে হায়নরি।



ময়ান–তুয়ানগী মীওইশিং অসিনা থোকখ্রদি –থোকখ্রেদনা হায়বা ৱাঙাং ঙাংলি অদুবু লৈবাক অসিনা হৌজিক ময়ান–তুয়ান মীওইশিং অসিবু ওক্লে –খিরে হায়নরি হায়না মহাক্না হায়খি।

কোংগ্রেসকী মতমদা লাইরবা মীয়াম্না পক্কাগী য়ুমশিং, ইলেক্ট্রিসিটি, এল পি জি অমসুং টোইলেটশিং কৈদৌঙৈদা ফংখিদবদু মখোয়গী অসিগুম্বা লিচৎ অসিননি হায়খি।

মধ্য প্রদেশতা লৌমীগী লোন কোক্কনি হায়না শকখিবা ৱাশক ঙাক্তবগীদমক ষ্টেট অদুদা লৈরিবা কোংগ্রেসকী কমল নাথনা লূচিংবা গভর্ণমেন্টতা পান্দম থল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মীয়ামদি ‘লাইনি’ হায়রদুনা কোংগ্রেস পার্টিনা ‘লাইবু’ মীনম্লে হায়খি।

কোংগ্রেসনা ‘ভারত মাতাকী জয়’ হায়বদা মচিন–মরৈদা অপনবা অমসুং নুংঙাইজদবা অমা লৈ, অদুবু মহাকপু শেরান–তুরান হায়জিন্দুনা মরান শীবদা নুংঙাইজে হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।

ষ্টেট অসিগী কোনূং ভোপালদগী লোক সভা মীখল থেংনরিবা কোংগ্রেসকী মকোক থোংবা লূচিংবা দিগবিজয় সিংহনা মহাক মশাগী ভোট থাদখিদবগীসু নরেন্দ্র মোদিনা মহাকপু চৈখি।

মধ্য প্রদেশতা লোক সভা মীখলগী ৪শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক মে ১৯দা পাংথোক্কনি।

# য়ু এ ই মনাক্তা জহাজশিংদা এটেক তৌখিবা অদু মিপাইনীঙাইনি, মদু থিগৎকদবনিঃ ইরান

**টেহরান, মে ১৩ঃ**

য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটস (য়ু এ ই) সমুদ্রা খোঙবান্দগী চৎথোক্লগা লৈবা ঈশিংগী লমদা ওইল টেঙ্করশিং য়াওনা জহাজ কয়ামরুমবু এটেক তৌদুনা শোকহনখ্রে হায়না য়ু এ ই অমসুং সাউদি অরাবিয়ানা ফোঙদোক্লকখ্রবগী তূংদা গল্ফতা জহাজশিংদা চথরকখিবা এটেকশিং অদু মিপাইনিঙাইনি হায়না ঙসি ইরাননা হায়খ্রে।



সি ওফ ওমনদা থোকখিবা থৌদোকশিং অদু মিপাইনিঙাইনি অমসুং কনামত্তনা য়ানীংঙোইদবশিংনি হায়না এটেকশিং অদুগী মতাংদা থিজিনবগী থবক অমা চখনবা ইরানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রি ৱাঙাংলোই অববাস মৌশাবিনা মিনিষ্ট্রিগী ৱেবসাইটতা ইংলিস লোন্দা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি অমসুং মেরিটাইম সেক্যুরিটি থুগাইনবা ফোরেনর কাংবুনা শান্নরিবা কাহেনঞ্জনবা থবকশিং অদু ৱার্নিং তৌখি।

সাউদি অরাবিয়ানা এটেকশিং অদুদা মখোয়গী ওইল টেঙ্করশিংগী মনূংদা ২ শোক্লে হায়না ঙসি অঙনবদা হায়খি। থৌদোক অদু য়ু এ ইগী ফুজাইরাহ হিথাংফমদগী চখোল্লগা থোকখিবনি। ফুজাইরাহ হিথাংফম অসি গল্ফ ওইল এক্সপোর্ট অয়াম্বা ফাওদুনা চৎলিবা য়াম্না মরুওইরবা জহাজ লম্বী ষ্ট্রেট ওফ হোরমুজ ফাওরকপদা অরাবিয়ান সমুদ্র খোঙবানদা য়ু এ ইদা লৈবা অমত্তা ঙাইরবা টরমিনেলনি।

হায়রিবা ষ্ট্রেট ওফ হোরমুজ অদু করিগুম্বা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা মিলিটরিগী মায়োক্নবা অমা থোক্লকপা তারবদি থিঙজিনগনি হায়না হন্না–হন্না কিহল্লকখ্রবনি।

ইরানগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকগী মরক্তা মুক্নবগী চাং অসি নোংম–নোংমগী হেনগৎলক্লি। ইরানদগী কিহল্লকই হায়দুনা ৱাসিংটননা অমেরিকান বি–৫২ বোম্বরশিং মিদল ইষ্টতা থাজিনল্লকখ্রে। মসিগী মমাঙদা লানগী প্লেনশিং য়াওবা এয়ারক্রাফ কেরিয়র ষ্ট্রাইক গ্রুপসু হান্নানা থৌজিল্লকখ্রবনি।

# মধ্য প্রদেশকী লোক সভা সিট অমদা ফোল্ক শৈশকপা অমনা হান্নগী জজ অমগা মায়োক্নগদৌরি



**ইন্দোর, মে ১৩ঃ**

মরুওইবা য়েংথিনবা পার্টি অনী –কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিনা মধ্য প্রদেশকী দেৱাজ লোক সভা সিটতা অতৈদগী তোঙানবা শক্তম অমদা অকনবা মীখলগী লান থেংনগদৌরি।

সেদুল কাষ্টশিংগী রিজার্ব সিট অসিদগী কোংগ্রেসনা মমিং চৎলবা ফোল্ক শৈশকপা প্রহলাদ সিংহ তিপানিয়াবু মীখল অসিদা মীরেপ অমা ওইনা সিভিল জজগী ফমদগী রিজাইন তৌরকখিবা বি জে পিগী মহেন্দ্র সিংহ সোলানকিগী মায়োক্তা লম্না থেংনহল্লি।

প্রহলাদ সিংহ তিপানিয়া (৬৫) পদ্মা শ্রী এৱার্দি অমনি। মহাক্না তাম্বুরা খোঙদুনা মালৱি নাৎকী মওংদা কবির ভজনশিং শক্তুনা ভোটরশিং খোন্নবা হোৎনরি।

দেৱাজ লোক সভা কনষ্টিট্যুয়েন্সিগী সুজালপুর এরিয়াদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী লাকখিবদা মহাক্না মাগী মীয়াম্না পান্নবা ঈশৈশিং শকখি।

ইন্টরনেসনেলগী ওইনা থাগৎনরবা শৈশকপা অসিনা মীখল অসি মহাক্না মায় পাক্নবদি মীয়াম্না তঙাই ফদবা পোৎলমশিং ফংহন্নবা হোৎনবা য়াবা পূম্বা হোৎনগনি অমসুং নাৎকী ঈশৈ য়োকখৎনবা থবকসু তৌগনি হায়খি।

নাকন অমরোমদা বি জে পি মীরেপ মহেন্দ্র সিংহ সোলাঙ্কিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী অফবা থবকশিংবু পুথোক্তুনা অমসুং নেসনেল সেক্যুরিটিগীদমক মাগী গভর্ণমেন্টনা লৌরিবা ফিরেপ খংহন্দুনা ভোট খোল্লি।

ঐহাক্না জজ ওইরিঙৈদা ঐগী কোর্টতা লাকখিবা মীওইশিং অদুখক্তগী অৱাবা খুদোঙচাদবশিং অদু ঐনা তাখি। অদুবু পোলিটিক্সতা চংলবা তূংদা মীয়ামদা থবক তৌনবা ঐগী মফম হেন্না পাকথোক চাওথোক্লকখ্রে। পোলিটিসিয়ান অমা ওইনা ঐহাক্না খুদোঙচাবা ফংদ্রবা অমসুং ওৎপী–নৈবীরবা মীয়ামগা উন্নবা ফংলে অমসুং মখোয়গী খুদোঙচাদবশিং অদু কোহন্নবা থবক তৌবা ঙম্লে হায়না মশাগী চহী ৩৫ শুরবা বি জে পি মীরেপ অদুনা হায়খি।

দেৱাজ লোক সভা কনষ্টিট্যুয়েন্সিদা ভোট থাদবা য়ারবা মীওই লাক্ষ ১০.৯৭ লোম লৈ। মে ১৯দা কনষ্টিট্যুয়েন্সি অসিদা ভোট থাদনগনি। ২০১৪গী লোক সভা মীখলদা বি জে পি লিদর মনোহর উন্তৱালনা সিট অসিদগী মায় পাকখি।

মিষ্টর উন্তৱালনা হৌখিবা চহীগী ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদসু অগার সিটতগী মায় পাকখি। মদুগী মতূংদগী মহাক লোক সভা মেম্বর ওইবদগী রিজাইন তৌখিবনি।

# ‘পাকিস্তাননা মখা তানা টেরর শৌগৎলবদি ঈশিং পীরোই’

**ন্যু দিল্লি, মে ১৩ঃ**

করিগুম্বা পাকিস্তাননা ঙমখৈ ৱাংমদা টেরোরিজম শৌগৎপা মখা চথরবদি লৈবাক অসি ফাওনা চেল্লিবা তুরেল ৩গী ঈশিং পূন্না কান্নমিন্নরিবা অদু তোক্নবা অকনবা ৱারেপ অমা ইন্দিয়ানা লৌরগনি হায়না ৱাটর রিছোর্সেস মিনিষ্টর নিতিন গাদকারিনা য়ুমথংনবা লৈবাক অদুদা পীবা ৱার্নিং অমদা হায়খ্রে।



১৯৬০ ইন্দস ৱাটর ট্রিটিগী মখাদা লৈবাক অনীগী অপূনবা তুরেল ৬ কোনশিল্লি, মদুগী মতূংইন্না রবি, বিয়াস অমসুং সুতলেজ হায়রিবা তুরেল ৩গী ঈশিংগী মতাংদা ইন্দিয়াগী মপূং ফাবা হক লৈ।অদুগা ইন্দস, ঝেলম অমসুং চেনাব তুরেলশিংগী ঈশিংগী মতাংদা পাকিস্তানগী হক লৈ।

ট্রিটি অদু লৈবাক অনীগী মরক্তা মচিন–মনাও ওইবা অমসুং নুংশি–চান্নবা হেনগৎহন্নবগী পান্দমদনি অমসুং ইন্দিয়ানা ময়াম্বা অমা ওইনা পাকিস্তানদা ঈশিং পীরি হায়না মিষ্টর গাদকারিনা হায়খি।

পাউগী এজেন্সি আই এ এন এসদা পীবা ইন্টরভিয়ু অমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিতিন গাদকারিনা মখা তারদুনা ঐখোয়না মখোয়দা তাঞ্জা অমা পীখ্রে। মখোয়না টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিং শৌগৎপা তোক্কদবনি। মদু তৌরবদি ঐখোয়গী ৱাথোক অমত্তা লৈত্রে, অদুবু করিগুম্বা মখোয়না মখা তানা টেরোরিজম অমসুং টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিং শৌগৎলবদি পাকিস্তানদা চেল্লিবা ঈশিং থিংনবা অকনবা খোঙথাং অমা লৌবা নত্তনা ঐখোয়না তৌগদবা অতোপ্পা লম্বী অমত্তা লৈতে হায়খি। টেরোরিজম অমসুং টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংনা পাকিস্তানদা খুদোঙচাদবা ৱাথোকশিং থোকহল্লি। লাইরবা অমসুং থবক ফংদবগী ৱাথোকশিং লৈ। হৌজিক ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তান লাইরবা অমসুং থবক ফংদবা থেংনবগী মতম ওইরে হায়না সেনিয়ার বি জে পি লিদর অদুনা হায়খি।

মহাক্না পাকিস্তানদা থল্লিবা ৱাফম অদুগী মতাংদা অকক্লবা মতম অমা লৈব্রা হায়বা ৱাহং অমদা নিতিন গাদকারিনা মদু থবক ওইনা পাংথোক্লবগী মতম অমা লৈ। মতম অদু পাকিস্তানা মদুগী মতাংদা ৱারেপ অমা লৌবা তাবনি। ৱারেপ অদু পাকিস্তাননা লৌগনি হায়না ঐখোয়না আশা তৌরি। ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিদগী পাকিস্তান হান্নানা নাইতোম তাখ্রবনি মরম অদুনা পাকিস্তান মশাগী খল্লগা পাকিস্তাননা ৱারেপ অমা লৌবা মতম ওইরে খল্লি হায়খি।

# ভেনেজুয়েলা জেনরেলনা নিকোলাস মাদুরো লৈঙাকতা ঈরাং হৌনবা মিলিটরিদা অপিল তৌখ্রে



**কারাকাস, মে ১৩ঃ**

ভেনেজুয়েলাগী জেনরেল অমনা লৈবাক্কী শেন–থুমগী ফিভম কাইথরক্লবা ফাওবদা শক্তি পায়দুনা লৈনবা মিলিটরিগী শৌগৎপদা ঙাদুনা লৈরিবা প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোগী মায়োক্তা ঈরাং হৌনবা ঙরাং লৈবাকসিগী আর্ম ফোর্সশিংদা অপিল তৌখ্রে।

এয়ার ফোর্স জেনরেল অমনি হায়না মশামক্না শক্তাকচবা রেমন রেনগেলনা হায়খি, ভেনেজুয়েলাগী গভর্ণমেন্ট অসি মাদুরোগী মরুওইবা খোঙবু অমা ওইরিবা কিউবাদা লৈরিবা কম্যুনিষ্ট দিক্টেটরশিপ অদুনা খুর্জ পায়। অকীবা অসিদগী ঐখোয় নাম্থোক্নবা লম্বী থিবা তাই, লম্বীশিংদা থোক্লকপা তাই, প্রোটেষ্ট তৌবা তাই অমসুং পোলিটিকেল সিষ্টেম অসি হোংদোক্নবা মিলিটরি পূন্সিন্নবা তাই।

হৌজিক ঐখোয় হৌগৎপা মতমনি হায়না য়ু–ট্যুবতা থাগৎপা ভিদিও অমদা মখুৎতা কনষ্টিট্যুসন কোপি অমা পায়দুনা জেনরেল অদুনা হায়খি।

চহী অসিদা সেনিয়ার ওফিসারশিংনা মসিগা মান্নবা দিফেক্সন খরা তৌখ্রবা তূংদা রেনগেলগী লাওথোকপা অদুনা মাদুরোদা অতোপ্পা চৈফু অমা ওইদুনসু মিলিটরিনা ঈরাং হৌরক্কনি হায়বগী ইঙ্গিৎ থোইনা লৈতে।

মাদুরোবু য়াদবা ওফিসারশিং অদু লৈবাক থাদোক্তুনা চেনখ্রে অমসুং মিলিটরিগী মকোক থোংবশিং–খ্বাইদগী মরুওইনা ট্রুপশিং কম্মান্দ তৌরিবশিংনা মখা তানা মাদুরোবু য়ারি।

অনৌবা ফিভম অসিগী মতাংদা পাউ হংনবা হোৎনবদা ইনফোর্মেসন মিনিষ্ট্রিনা খুদক্তা পাউখুম পীরকখিদে। পাউগী এজেন্সি রোইটর্সনসু রেমন রেনগেলদগী ৱারোল অমত্তা ফংবা ঙমখিদে।

মশক মমিং ফোংদোক্তবা ভেনেজুয়েলাগী মিলিটরিগা নক্নবা লিখুল অমগী মতূং ইন্না রেনগেল হায়রিবা মীওই অসি হৌখিবা থাদা কলম্বিয়াদা চেনখ্রবা এক্টিব মিলিটরি ওফিসার অমা ওইরম্বনি হায়খি।

# য়ু কে মিনিষ্টরনা খূৎশি–খূৎনাম্বোক্তগী গল্ফ রিজনদা লান থোক্লকপা য়াবগী ৱার্নিং তৌখ্রে

**ব্রুসেলস (বেলজিয়ম), মে ১৩ঃ**

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ইরানগগী মরক্তা মুক্নবগী ফিভম হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা খূশি–খূৎনাম্বেক্তগী গল্ফ রিজনদা থোক্লকপা য়াবা লানগী খুদোঙথিবশিং অদুগীদমক বৃটিস ফোরেন মিনিষ্টর জেরেমি হন্টনা ঙসি ৱানিং অমা তৌখ্রে।



ঙরাংমক্তদা গল্ফতা সেবোটেজ এটেকশিংদা সাউদি অরাবিয়াগী ওইল টেঙ্করশিংগী মনূংদগী ২ য়াওনা জহাজ কয়ামরুম শোকখি।

ফিভম অসিগী মতাংদা বৃটিসকী নূংনাংবশিং অদু মহাক্না ঙসি ব্রুসেলসতা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিয়োগা ৱারী শান্নগনি হায়না হন্টনা হায়খি।

নাকন অনীমক্না অতম্নবা অনীংবা অমা লৈত্রবসু মুক্নরিবা মওং অসিদা খূৎশি–খূৎনাম্বোক্তগী থোক্লকপা য়াবা লান অমগী খুদোঙথিবা অদুগী মতাংদা ঐখোয় য়াম্নমক থম্মোয় ৱাই হায়না য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী মীফম অমগীদমক মফম অসিদা থুংলখিবা জেরেমি হন্টনা হায়খি।

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 19/03/19
Valid : 15/03/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 10/05/19
Valid : 05/05/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 27/03/19
Sl. No. : 8200
Valid : 20/03/19
Sl. No. : 7531
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Ereicha Indane, Lilong**
Booking : 24/04/19
Valid : 14/04/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.
Home Delivery Service Available

**M M Gas**
Booking : 20/04/19
Valid : 12/04/19
Stk : 918
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**K & K Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time :07.30 to 11.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 22/04/19
Valid : 30/03/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**R & H Indane**
Booking : 11/04/19
Valid : 01/04/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**Imphal LPG**
Booking : Up to Date
No Booking Required
Stok : 466, 19kg 65
Time : From 08.00 a.m.

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 14/03/19
Valid : 04/03/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Ashangbi Gas, Sugnu**
Booking : 14/03/19
Valid : 04/03/19
Stk : 612
Time : 09.00 to 11.00 a.m.

**G B D Indane**
Booking : 30/03/19
Valid : 12/03/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 17/04/19
Valid : 14/04/19
Sl. No. : 28468 to 28868
Stk : 306
Time : 07.00 to 09.30 a.m.

### সনা–সুদোকু – ১২০ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 3 | 4 | 8 | 2 | 1 | 5 | 9 | 7 |
| 2 | 1 | 9 | 7 | 6 | 5 | 8 | 4 | 3 |
| 8 | 5 | 7 | 4 | 9 | 3 | 1 | 6 | 2 |
| 4 | 9 | 8 | 5 | 1 | 2 | 3 | 7 | 6 |
| 1 | 7 | 2 | 3 | 4 | 6 | 9 | 8 | 5 |
| 5 | 6 | 3 | 9 | 8 | 7 | 4 | 2 | 1 |
| 9 | 2 | 1 | 6 | 3 | 8 | 7 | 5 | 4 |
| 7 | 8 | 6 | 1 | 5 | 4 | 2 | 3 | 9 |
| 3 | 4 | 5 | 2 | 7 | 9 | 6 | 1 | 8 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-121**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 9 | | 6 | 7 | | | | 1 |
| 1 | | | | 4 | | | 6 | 5 |
| 6 | | 4 | | | 1 | 7 | | |
| 2 | | | 1 | | 8 | 9 | | |
| | 7 | | 4 | 9 | | 1 | | |
| | 1 | | | 2 | 6 | | 4 | |
| | 6 | 1 | 9 | | | | 7 | |
| 4 | | | | | 7 | | 1 | |
| | | 9 | | | 4 | | | 2 |


**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
**Sagolmang Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Cass No. 180/SDC/SLG/IE 2019*
*Dated: 13/05/2019*

1. Haorungbam Itocha Meitei S/O H. Tompok Meitei of Loushangkhong Mayai Leikai
2. Haorungbam Joy Meetei S/O H. Angou Meetei of Loushangkhong, Keibi.
3. Haorungbam Binoy Singh S/O H. Jhulon Singh of Khurai Thoudam Leikai

***- Petitioners***

***-Verses-***

1. Late. Haorungbam Manaoton Singh S/O (L) Sajou Singh of Loushangkhong ....Co-Pattadar No-1.
2. Late. Haorungbam Chaoba Singh S/O (L) Sajou Singh of Loushangkhong .....Co-Pattadar No-2
3. Late. Haorungbam Bhagirat Singh S/O (L) Sajou Singh of Loushangkhong ....Co-Patadar No-3

***- Opposit Partys.***

**NOTICE**

*Sagolmang, Dated 13th May 2019*

Under Section-46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960

গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ইঃ ইঃ তহসিল খুল নং 25-Keibi Loushangkhong পাটা নং **193** (অনৌবা), দাগ নং **120** মাট এরিয়া **0.86 acre** একর চাওবা Ingkhol গী pattadar No. 1, 2, 3 মৃত্তু ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নরশিং অসিনা মৃত্তু পাটাদারগী মিং কক্লগা মখোয়গী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাট্টাদরগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি Objection তৌবীরনবা লৈরবদি পাউ–চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনূংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি– Objection তৌরবা য়াগনি মতূংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতূং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East, Manipur

*SL/BILL(T)/14*



**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Imphal West (Central)**
*Ref. :- Mutation Case No. 902 /SDC/IM(C) 10/05/2019*

Nepram Ibochouba Singh S/O (Late) N. Ibotobbi Singh of Sagolband Ingudam Leirak.

***....-Petitioner***

***-Versus-***

Co-Pattadar No (3)
Laishram Ningol Bilashini Devi D/O (L) Apabi Singh of Keisham Leikai.

***.... O.P.Party***

**NOTICE**

*Imphal, 13/05/2019*

Under Section-46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960

অসিগী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি Co-Pattadar (3) Laishram Ningol Bilashini Devi D/O (L) Apabi Singh সাং Keisham Leikai গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহসিলগী খুল নং 46- Naoriyapakhanglakpa গী অনৌবা পট্টা নং **474** অরিবা পট্টা নং **200** দাগ নং **205** অমসুং এরিয়ানা **0.0116** হেক্টর) চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্তা কোট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংগা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ–চে অসিনা ফোংলবা মতূং নুমিৎ ৭ নিগী মনূংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতূংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

*Sd/-*
**Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (Central)

*SL/4799(D)/14*



**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Imphal West (Central) : Manipur**
*Ref. :- Mutation Case No. 910 /SDC/IM(C) of 2019, Dt 10/05/2019*

1. Moirangthem Beki Singh S/O (Late) M. Amuba Singh of Pishumthong Ningom Leirak.
2. Moirangthem Premkumar Singh S/O (Late) of -do- of -do.
3. Moirangthem Apabi Singh S/O (Late) of -do- of -do.
4. Moirangthem Samsan Singh S/O (Late) M. Manibabu Singh S/O (Late) Amuba Singh of -do- of -do.
5. Moirangthem Chandramani Singh S/O (Late) M. Ibotombi Singh of Kha Maibam Leikai.

***.....-Petitioners***

***-Versus-***

1. (Late) Moirangthem Ibohal Singh S/O (Late) Iboyaima Singh of Maibam Leikai.
2. (Late) Moirangthem Ibotombi Singh S/O (Late) Iboyaima Singh of -do.

***......O.P.***

**NOTICE**

*Lam,phel, 13th May 2019*

Under Section-46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960

গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লী মদুদি লৈখিদ্রবা 1) (Late) Moirangthen Ibohal Singh, 2) (Late) Moirangthem Ibotombi Singh S/O (Late) Iboyaima Singh গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তাহশিলগী খূল নং 62- Maibam Leikai **105** অরিবা পট্টা নম্বর **126** অনৌবা পট্টা নম্বর **147** দাগ নং অমসুং এরিয়া **.14160** হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পিরিবা দংকারিগী মমিংদা পানবিনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ–চে অসিনা ফোংলবা মতূং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনূংদা অইবা চেনা মথক্তী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতূংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

*Sd/-*
**Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (Central)

*SL/4799(A)/14*